# ইনখৎলক্লিবা নুপী শান্নরোয়শিংবু মমা-মপা ওইবশিংনা অহেনবা থৌনা পীবীরবদি মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া ওইরকপা ঙমগনি : সুমন থৌদাম

**শান্নবুংগী পাউদম-৫**
**জয়চান্দ লুৱাং**



মণিপুরদা শান্নববু খোয়দাজবা চহী নৌরিবী নুপী শান্নরোয় কয়া লৈরি। অদুবু হায়রিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি পূক্লিং থৌগৎপীনবা লৈতবা অমদি ইমুং-মনুংগী ফীভম্না মরম ওইরগা শান্নবা ঙমদনা লাক্লি। ইনখৎলক্লিবী নুপী শান্নরোয়শিংবু মরুওইনা মমা-মপা ওইবশিংনা অহেনবা থৌনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীরবদি লমদম অসিদগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া ওইরকপা ঙমগনি হায়না চহী নৌরিবী হোক্কী শান্নরোয় সুমন থৌদামনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচেঅসিগা টেলিফোনগী খূথাংদা ৱারী শানবদা মহাক্না মখা ফোঙদোরকখি, মহাক মশাসু অঙাং ওইরিঙৈদগী শান্ন-খোৎনবা পামজনা হৌরকখি। মহাক্কী অপাম্বা অদুদা মহাক্কী মমা-মপা মরুওইনা অপোকপনা পূক্লিং থৌগৎপীবদগী ঙসিদি মহাক লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙম্লে। মহাক্কুম্বা শান্নবা পামজবা কয়া লৈরিবা অদুসু মমা-মপা ওইবশিংনা ইনোৎ পীবীরবদি মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না মমিং লৈরবা মফম অমা ওইবা ঙমগনি।

সুমন থৌদাম শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই মোংখাং লম্বীদগী থৌদাম অনন্দ অমসুং থৌদাম ওংবী নাওবী অনীগী মচানুপী অহলনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক শান্নববু খোয়দাজবা অমা ওইরকখি। মহাক্না শান্নববু পামজবা অদু উবদা মহাক্কী অপোকপা অনন্দনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা মহাকপু শান্নবগী লম্দা পূক্লিং থৌগৎতুনা লাকখি। অদুবু মহাক্না শান্নবা হৌরকপা মতমদা হোক্কী মশান্নদা চঙবা পোৎলমশিং লৈবা ঙমদবা অমদি শান্নবা মতমদা তোংনবা খোঙউপ ফাওবা লৈতবগী অৱাবা কয়া থেংনরকখিদবদি নত্তে হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্নরকপনা মহাক ঙসিদি হোক্কীগী লম্দা মীয়াম্না মশক খঙবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্লে। চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা হৌরকখি। কুমজা ২০১১দা দেল্লী অমসুং অমৃটসরদা পাঙথোকখিবা ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্না শরুক য়াবা হৌরকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৩দা পাঙথোকখিবা জৱাহরলাল নেহরু টুর্নামেন্টশিংদসু শরুক য়াখি। হোৎনবা লেপ্তুবনা মরম ওইরগা চহী খরগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ২০১৪দা পুনেদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনলদা মহাক শরুকয়াখি অমদি মদুদা মখোয়গী টিমনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। কুমজা ২০১৩দা ভোপালদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনল অমদি কুমজা ২০১৪দা মাইসুরদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেসনলদা রন্নর্স অপ তাখি। রানচিদা কুমজা ২০১৩দা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেসনলদসু মখোয়গী টিমনা রন্নর্স অপ তাখি।

নেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারম্বদগী মহাক ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট থাদা নেদরলেন্দসতা পাঙথোকখিবা অন্দর ১৮ ৱর্ল্ড হোক্কী টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ন য়ূঠ হোক্কী টিমদা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়াগী টিমনা মায় পাকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা এসিয়া কপতসু মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়াগী টিম মাংলোমদা পুখৎলকপা ঙমখি। কপ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা মদুনা মরম ওইরগা হোক্কী ৱর্ল্ড কপকীদমক ইন্দিয়াগী টিম ক্বালিফাই ওইখি।

কুমজা ২০১৮দা লন্দনদা পাঙথোক্কদবা হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী মাংওইননা স্পেন টুরদসু সুমন থৌদাম শরুক য়াখি। টুর অদুদা হোষ্ট ওইরিবা স্পেন টিমগা ইন্দিয়াগী টিমগা মেটচ ৫ শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা স্পেনবু মেটচ ৪ থোইবা ঙমখি। অদুম ওইনমক সুমন থৌদাম লন্দনদা পাঙথোকখিবা হোক্কী ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবদি ফংখিদে। সুমন ইন্দিয়ন জুনিয়র ৱিমেন হোক্কী টিমগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি। বেলজিয়মদা পাঙথোকখিবা অন্দর ২৩ গী ওইবা ৬ নেসন্স টুর্নামেন্টতসু জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী শরুক অমা ওইখি।

মহাক্না শান্নরকখিবশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৭তা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র এসিয়া কপতা ইন্দিয়ন জুনিয়র ৱিমেন্স টিমনা অহুমশুবা তারকখি। কুমজা ২০১৮দা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী টিমনা সিলভর মেদল লৌরকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯দা আয়রলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা নেসন্স টুর্নামেন্টতা সুমননা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নর ওইখি। চহী অদুমক্তদা বেলারুসতা পাঙথোকখিবা টেষ্ট মেটচ অমদসু ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইনা সুমন শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৯দা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা থ্রী নেসন্স টুর্নামেন্টতসু সুমননা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। চহী অসিগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা চিলি টুরদসু সুমন কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াখি। চহী অসিমক্কী লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র এসিয়া কপতসু সুমন থৌদাম শরুক য়াগদৌরি।

# রফেল নদাল অমসুং নোভাক জোকোবিচ মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



পেরিস, জুন ০৫ (এজেন্সী):
ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রফেল নদাল অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোবিচ চহী অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

রফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় সি নোরিবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা নোরৱেগী এম য়মরবু ৬-১, ৭-৫, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বা ইটালিগী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৮শুবা সিদেদ ওইরিবা জানিক সিন্নরগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্বিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা মহাক্কী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা লিথ্বানিয়াগী আর বেরেনকিসপু ৬-১, ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা এম চেসিনাটোবু ৩-৬, ৬-৪, ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩দা থোইরম্বা এল মুসেটিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা সর্বিয়াগী এল দেরেবু ৬-২, ৭-৫, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা রাউন্দদা জপানগী কৈ নিশিকোরিগা থেংনরগনি।

অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা মরিশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী এম জিরোনবু মায়থীবা পীরম্বা চিলিগী সি গারিনগা শান্নগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাওলূপ্তা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী পোলেন্দগী আই সিৱাটেকনা ইষ্টোনিয়াগী এ কোন্টোভেটপু ৭-৬ (৭-৪), ৬-০দা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা মরিশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী ভি গ্রাচিভাবু ৬-১, ৬-২দা থোইরম্বী যুক্রেনগী এম কোষ্ট্যুককা শান্নগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা চেক রিপব্লিককী বি ক্রাইচিকোভাগী মখূৎতা ৩-৬, ২-৬তা মায়থীহৌখি। লোয়ননা য়ু এস এগী সেরিনা ৱিলিয়মস ৪শুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী রাই বাকিনাগা শান্নগনি।

# লিকমাবম সুশিলা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপতা ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী):
ঙসি অথেংবদগী হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুদোকা মণিপুর মচা লিকমাবম সুশিলানা টোকিও ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনগদৌরি।

লিকমাবম সুশিলানা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী অরোইবা জুদো দিসিপ্লিনগী অরোইবা ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী জুদোকা জস্লিন সিংহ সাইনিনা কিলোগ্রাম ৬৬কী কাওলূপ্তা শরুক য়াগদৌরি। নুমীৎ ৮নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক্স ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ অদুদা সুশিলা অমদি জস্লিন অনীগী মনুংদা অমখক্তমক ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনা লিকমাবম সুশিলানা পোইন্ট ৯৮৯ ফংদুনা খ্বাইদগী রেঙ্কিং ৱাংনা লৈবা জুদোকা ওইরি। অমরোমদা, জস্লিন সিংহ সাইনিনা পোইন্ট ৯২০ ফংলগা লৈরি। চৎথগদৌরিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ অসিদা জুদোকা অমনা মায় পাকপা রাউন্দ অমদা পোইন্ট ২০০ ফংগদৌরি। লোয়ননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিল্লকপা মতমদা জুদোকা অনীগী মরক্তা পোইন্ট খ্বাইদগী হেনবা অদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

পূন্না শান্নরোয় ৬০০ হেনবনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনগদৌরি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রুবেন দিয়াজনা প্রেমিয়র লীগ প্লেয়রগী মনা ফংখ্রে



লন্দন, জুন ০৫ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা অদুগা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকীনা রন্নর্স অপ তাহৌরবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী দিফেন্দর রুবেন দিয়াজনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ প্লেয়র ওফ দি সিজনগী মনা ফংখ্রে।

মমাংগী থাদা ফুটবোল রাইটর্স এসোসিএসননা পাঙথোকখিবা ভোট অমদা প্রেমিয়র লীগ সিজন ওফ দি প্লেয়রগী মনা অদু রুবেন দিয়াজনা ফংখিবনি। মহাক্না ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা অনীশুবা পোর্টুগাল মচা অমনা মনা অসি ফংবা ঙম্বা ওইরি। মমাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরম্বা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা কুমজা ২০০৬-০৭ অমসুং ২০০৭-০৮দা মনা অসি অনীরক হন্না ফংখ্রবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় ওইরিবা রুবেন দিয়াজনা মমাংগী চহীদা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকাদগী ট্রান্সফর তৌরক্লগা ক্লব অদুনা টাইটল লৌবদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নবা ঙমখিবনি।

# সুমিট মালিককীদমক্তা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লুপা লাখ ১৬কী ফাইন থীগদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক্তা কিলোগ্রাম ১২৫গী নুপাগী রেষ্টলর অমা ওইরিবা মেদল ফংগনি হায়নসু পানরিবা সুমিট মালিক মমাং থাগী অঙনবা শরুক্তা বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা লৌখিবা য়ুরিন সেম্পলদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বদগী য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিংগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা লুপা লাখ ১৬কী ফাইন থীহনগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা সুমিট মালিক থা ৬কী ওইবা প্রোভিজনেল সস্পেন্সনদা থল্লি। মহাক চহী অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবা অথিংবা লৈরকপা মরম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

মিথাইলহেক্সানামাইন হায়রিবা পোৎয়ান অসি ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা থিংখ্রবা পোৎয়াননি হায়না লাউথোকখ্রবনি। সুমিট মালিক য়াওনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারীদা ওলিম্পিক্সতা রেষ্টলর ৮ থাদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অদু হন্দক্কী অসিনা ওইখিবনি। মদুগী মনুংদা সুমিটসু মেদল ফংগনি হায়না পানরম্বনি।

থা অসিগী ১০দা সুমিটকী য়ুরিন বি সেম্পল অমুক্কা হন্না চাংয়েং তৌগদৌরি। করিগুম্বা চাংয়েং অদুদা মহাক নেগেটিভ ওইরক্লবদি অথিংবা অদু লৌথোক্কদৌরি। মরম অদুনা নেগেটিভ ওইরকপা মতমদা মহাক ওলিম্পিক্সকী য়াম্না পীকপা তাঞ্জা অমদি লৈরি। সুমিটকী মায়কৈদগী মহাক্কী সেম্পল অদু টেষ্ট তৌবা মতমদা ইন্দিপেন্দেন্ট ওবজর্ভর অমা লেবোরেটরি টেক্লিসিয়নশিং অদুনা চাংয়েং তৌবদা শরুক য়াহনবগী তাঞ্জাদি পীরি।

# সাউথ অমেরিকন ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংদা ব্রাজিলনা ইক্বাদোরবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল নকখ্রে



সাওপাওলো, জুন ০৫ (এজেন্সী):
কটারনা য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱর্ল্ড কপকী সাউথ অমেরিকন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ব্রাজিলনা ইরাই নুমীৎতা ইক্বাদোরবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না পোইন্ট ১৫ ফংখিবগা লোয়ননা ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

সাউথ অমেরিকাগী ওইবা রাউন্দ রোবিন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ব্রাজিলনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা মকোক থোংবা ঙল্লি। মখোয়গা খ্বাইদগী নক্নবা টিম ওইরিবা অর্জেন্টিনাদগী মখোয়না পূন্না পোইন্ট ৪ হেন্দুনা লৈরি।

ঙরাং সাও পাওলোগী ভৈরা রিও ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা মিনট ৪৫গী শান্নবগী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী চৎথখিবা এটেক অমদা নেমারনা খায়দোরকখিবা বোল অমা টিমমেট রিচার্লিসনননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইক্বাদোরবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

ইক্বাদোরগী মায়কৈদগী মখা তাবা শান্নবগী মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা বোল পুশিল্লকপা থিংবা ঙমখিবদগী ইক্বাদোরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা অদু ফংহন্দনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা তাঞ্জা অদুগী মতুং ইঞ্জ্যুরি টাইমগী মরিশুবা মিনটতা ব্রাজিলনা পুশিনখিবা এটেক অমদা ইক্বাদোরগী দিফেন্দরশিংনা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ব্রাজিলনা ফংখি। খূদোংচাবা অদু ব্রাজিলগী মায়কৈদগী নেমারনা অশোয়বা য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু ২-০দা থোইরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২দা ব্রাজিল শুংশোয় শোয়দনা শান্নবা ঙম্বগী তাঞ্জা অদু লৈখ্রে।

মরক অসিদা সাউথ অমেরিকাগী ওইবা কন্টিনেন্টেল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকাগী য়ূম্বু ব্রাজিলনা ওইবা য়ারে হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অদুমখোয়গী লৈবাকঅদুনা য়ূম্বু ওইবা অদু পামদবগী ৱাফম ফোঙদোক্লখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা নোংমদা ব্রাজিলদা মী লিশিংদগী তাদনা শিরি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিং অদুনা সাউথ অমেরিকাগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিং লাক্লগা শান্নবা অদু পামখিদবনি।

# অনিরুদ থাপা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে

দোহা, জুন ০৫ (এজেন্সী):
কটারগী কোনুং দোহাদা ফিফা ২০২২ অমসুং এসিয়া কপ ২০২৩ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী মেম্বর অমা ওইরিবা মিদ ফিল্ডর অনিরুদ থাপা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবদগী হোটেলগী তোঙানবা কা অমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈখ্রে।

অনিরুদ থাপা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবা কটারগা শগোলশেন নুমীৎতা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচ অদুগী মাংওইননা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে। মশাগী চহী ২৩ শুরবা চেন্নাইন এফ সীগী শান্নরোয় অনিরুদ থাপা নুমীৎ খরনি লৈরগা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি।

# সৈজিন সিংসিটনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):
সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী হান্না এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা সৈজিন সিংসিটনা থা অসিগী ৪দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অদুদা, সৈজিন সিংসিটনা ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্নবু চাওখৎনবা হোৎনরম্বা থৌদাংশিং অদুবু নীংশিংখিবা অমদি লৈখিদ্রবনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরকখি।


# এ ঐচ এফনা ইন্দিয়াগী হোক্কী ওফিসলশিংগী ৱর্কশোপ শিনগদৌরি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী):
ওনলাইনদা এসিয়ন হোক্কী ফেদরেসন (এ ঐচ এফ)না হৌখিবা থা ১১ অসিদা মায় পাক্না হোক্কী ইন্দিয়াগী কোচশিং, অম্পায়রশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী ৱর্কশোপ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা মতুং মখা তানা থা অসিদা কোচ অমদি অম্পায়র ১২দগীনা ৩০ ফাওবগী ওইবা গ্রুপশিং এ ঐচ এফনা অখন্নবা হোক্কী ইন্দিয়াগীদমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্কশোপ অহুমদা শরুক য়াগদৌরি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, এসিয়ন হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ পাঙথোরকপা অসিনা লৈবাক অসিগী কোচশিং, অম্পায়রশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী মায়কৈদা চাওনা কান্নবা ফংলি। এসিয়ন হোক্কী ফেদরেসনবু হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাগৎপদা লোইবা নাইরোই হায়খি।

নাকল অমরোমদা, এসিয়ন হোক্কী ফেদরেসনগী চীফ এগজি-ক্যুটিভ অমদি ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী দিভলপমেন্ট এন্দ এদ্যুকেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দাটো টায়ব ইক্রমনা ফোঙদোকখিবদা, ওনলাইন ৱর্কশোপশিং অদুদা হোক্কী ইন্দিয়াগী কোচশিং, অম্পায়রশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা থৱায় য়াওনা ওফিসলশিং অদু শরুক য়াখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 131**

**Nemec,Pa (2243) - FM Stalmach,Richard (2273)**
**ch-CZE 2020 Plzen CZE, 2020.08.29**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nc6 |
| 5.Nc3 Nf6 | 6.Nxc6 bxc6 | 7.e5 Nd5 | 8.Ne4 Qc7 |
| 9.f4 f5 | 10.exf6 gxf6 | 11.Bd3 Qb6 | 12.a3 Be7 |
| 13.Qh5+ Kd8 | 14.Qe2 Rg8 | 15.c4 f5 | 16.Ng5 Nf6 |
| 17.Bd2 c5 | 18.O-O-O Bb7 | 19.Rhe1 h6 | 20.Bxf5 hxg5 |
| 21.fxg5 Rb8 | 22.gxf6 Bxf6 | 23. ... | |


**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 130 Ans. :**
13. ...h6 14. Rxh6gxh6 15. Qg4+Kh8 16. Qh5Kg7
17. Nxe6+The white knight deflects Black's pawn away from protecting the square g6.fxe6 18. Qg6+Kh8
19. Qh7#Damiano's bishop mate
14. Bc2 Nf6 15. Qd3 Rd8 16. Rd1 Bd7 17. O-O e5
18.Nf5 Bc6 19. Qe3 Rxd1 20.Rxd1 Rd8 21.Qxa7 Rxd1+
22.Bxd1 Qd7 23.Bc2 Ne4 24.Bxe4 Bxe4 25.Ne3 Bc6
26.Qb8+ Kh7 27.Qxe5 Qd2 28.Qf5+ Kg8 29.Qc2 Qe1+
30.Kh2 g6 31.b4h5 32.a4 Bd7 33.a5 Be6 34.Qd3 Qa1
35.Qd8+ Kg7 36.Qd4+Kg8 37.Nd5 Bxd5 38.Qxd5 Qxc3
39.Qxb7 h4 40.gxh4 Qe5+ 41.g3 Qd4 42.Kg2 g5
43.hxg5 Kg7 44.a6 Qxb4

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না কৰি হায়রি, কৰি পাম্লি

### ওনলাইন ক্লাসকী মিংদা লান্না চৎখিগদৌরবা অঙাংশিংবু মমা-মপাশিংনা কলহৌসি



কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা স্কুল, কোলেজশিং থিংজিনখিবা অসিনা মহৈরোয়শিংনা অরানবা লম্বী অমদা চৎহনখিনবা মরম অমসু ওইরি। ৱাখল মপূং ফারক্লবা কোলেজ তল্লিবা মহৈরোয়শিং অমসুং পীক্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি ওনলাইন ক্লাস তৌবা মতমদা অহল-লমন অমনা শেন্নবনা ফগনি হায়না খল্লি। ক্লাস ৮, ৯, ১০, ১১ অমদি ১২ তল্লিবা মহৈরোয়শিং অসি টিনএজ চঙলকপা ওইবনা ৱাখল মপূং ফাদবা অফ-ফত্তা খন্থবা ৱাৎলিবা মতম ওইবনা অরানবা লম্বীদা চৎহনখিনবা তাঞ্জা অমা ওইরে। নাতে চাদবা ভিদিও ক্লিপ য়েংদুনা মখোয়গী ৱাখলদা অনৌবা ঈথিল অমা ফাওহল্লকপা, নুংশি-নুংওনদা তাওহল্লকপা অমদি সোসাইটি অসিগা চানদবা ভর্চ্যুএল ৱর্ল্ড অমদা তাওহল্লকপা য়াওরি। ইনখৎলকপা চহী মতাং ওইবনা মখোয়না উরুরিবা অদু মখোয়নসু তৌনিংলকপা ফাওহল্লক্লি। লোয়ননা লৈমিন্নরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী লাপ্না লৈনিংলকপা ফাওহল্লি। মরমশিং অসিনা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু ওনলাইন ক্লাস তৌরগা অফবা ওইরক্কনি হায়না খল্লম্বশিং অদু থাদোকপীদুনা মচাশিংবু চেকশিন্না শেন্নবা মথৌ তারে।

**❒ কুমাম সুরজ, মোইৱাং**

### ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী নুমীৎতা উ চারা কয়া থানরবসু মপূং ফানা হিংবা ঙম্লিব্রা?



কুমজা ১৯৭৪গী জুন ৫দা অহানবা ওইনা মালেমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম হৌদোক্তুনা লাকখি। মণিপুরদসু হায়রিবা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট কয়া অমদি এন জি ও কয়ানা নুমীৎ অসিদা উ চারা লিশিং কয়া থাদুনা লাক্লি। অদুবু থাখিবা উ চারাশিং অদু মপূং ফানা হিংলিব্রা হায়বদুদি কনামত্তনা য়েংশিনবীদ্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। উ চারাশিং অদুগী মনুংদা খরা অমদি হিংলম্বসু য়াই। হায়জনিংলিবা ৱাফমদি নুমীৎ অসিদা থাখিবা উ চারাশিং অদু শুপ্নগী মীদিয়াগী মাংদা ওইনা থাবগুম তৌরি। মদুগী মতুংদা কনা অমত্তনা থাখিবা উ চারা অদুদা ঈশিং চাইবগী থৌরমশিংদি পাঙথোকপা উদে। মাগী-মাগী খূদোংচাবা লৌনবা ফোটো সেসন খক্তগী উ চারা থাখিবগুম তৌনরি। মণিপুরদা লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টশিং অসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীদুনা মখোয়দা অহেনবা পাৱর অমদি অহেনবা ফোরেষ্ট গার্দনচিংবা পীহন্নিংই। হৌজিক লানগী মতম অদু ওইদ্রে। মণিপুরদা পুলিস ফোর্সতা মীওই কয়া থম্বগুম ফোরেষ্টতা মীওই কয়া থবক তৌহন্দুনা মায় ওনশিনবগী মতম ওইরে। মদুনা ফোরেষ্ট কনবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

**❒ জর্মন তখেল্লম্বম, লিলোং অরাপ্তি মনিং লৈকাই**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com